**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-04-2026)**

**খোংজোম (এল)ঃ** খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ১৮৯১ দা বৃটিশশিংগা খোংজোমদা শোকখিবা লানফমদা পাউনা ব্রজাবাসি য়াওনা মনিপুরগী অথৌবা মপারি কয়ানা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা থৱায় কৎখিবা অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী খোংজোম ডে হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম লালগী নীংশিং য়ুম্বীদা মীয়ামনা লৈ কৎতুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। মফমদুমক্তদা মনিপুর রাইফলসকী কাংবুনা গার্দ ওফ ওনর, জেনরেল সেলুট অমসুং লাস পোষ্ট খোংদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মদুগী তুংদা, খেবা চীংখোংদা লৈবা পাউনা ব্রজাবাসিগী মীতমদা লৈ কৎখি অমসুং জেনরেল সেলুট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মদুগী তুংদা, রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা খোংজোম তুরেলদা তর্পন কৎখি। মফমদুদা পাঙথোকপা সংস্কৃত্তনগী থৌরমদা রাজ্যপাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রিনা সংস্কৃত্তন খুরুমখি।

তুংদা, মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়-খোংজোম ডে অসি, বৃটিশ সমরাইজগী মায়োক্তা মনিপুরগী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক থৌনা ফনা লাম্হেংনদুনা থৱায় ফাওবা কৎখিবা অথৌবশিং অদুবু নীংশিংবগী পুকিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা থৌরম অমনি। খোংজোম লালগী ৱারীনা মশিং য়ামদ্রবা অমদি খুৎশু খুৎলায় মতিক

চানা পায়খিদবা মনিপুরগী লান্মীশিং অদুনা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক য়েকবদা চংজবগী মহুৎতা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা, মখোয়গী মরৈবাক নীংবা অমসুং পুকচেল চেৎপগী শক্তমশিং অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। খোংজোম ডেনা লাকপদা নীংশিংবগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকপগী মহুৎতা শিংনরিবা কয়া মায়োকদুনা অপুনবগী শক্তম, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমদি নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহল্লসি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরি লাল অদুদা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনখিবগী ৱারী অদুনা ঐখোয় পুমমক্কী মফমদা চাউথোকচবা পোক্লি। মহারাজ কুলাচন্দ্র, য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, পাউনা ব্রজাবাসি, চোংথামমিয়া, চিংলেনসনা অমসুং অতৈ থৌনা ফরবা লান্মী কয়ানা মরমদগী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা কৎথোকখিবশিং অদুগী মহৈনা ঙসিগী মনিপুর অসি লৈরল্লিবনি।

ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অদু থম্মোয় শোকা নুংঙাইখিদবা অমনি। মদুগী মতুংদা জে.এ.সি. অমদি অৱাবা নংলিবা ইমুংগী মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নদুনা সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীরগনি হায়না য়ান্নখ্রে। অদুমওইনমক, মফম কয়াদা খোঙজং কয়া চংশিল্লিবা অসি তোকপীনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি। মফম কয়াদা খোঙজং চংশিল্লবসু খোংজোম নুমিৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা অয়েৎ অপন অমত্তা থোকহন্দবগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা মীয়ামবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রুপমহল ঠিয়েটরগী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা ‘পাউনা’ হায়বা দ্রামা অমসু উৎখি। থৌরম অদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টুরিজম মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেন, এম.এল.এশিং, পুলিস, আর্মি অমসুং সিভিলগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি মফম কয়াদসু পাঙথোকখি। মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না শিনদুনা ঙসি খোংজোম ডেগী থৌরম খেবা চীংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট-এস. ব্রোজেননা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

সনা লৈবাক মনিপুর হকচাং শাজেল থাং-তা শিদম শঙলেন-নম্বোলনা শিনদুনা ঙসি খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম শিদম শঙলেন অসিদা পাঙথোকখি।

মনিপুর কলেজ এল্যুমনাই এসোসিয়েসন, কোংপাল সোসিএল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম যুথ সেন্টর অমসুং মঙাল লৈমা ভি.এল.এফ. খুরাই খাইদেম লৈকাই, সাহিত্য থৌপাং লুপ অমসুং রাস্ত্রিয়া শ্বয়মসেভক সঙ্ঘ ইম্ফালনসু খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরমশিং ঙসি পাঙথোকখি।

**অসাম (এল)ঃ** মনিপুরগী ৱাংমদা মনিপুরিশিংনা খুন্দবা মফম কয়াদসু ঙসি খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরমশিং পাঙথোকখি।

১৩৫ শুবা খোংজোম লালগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি অসামগী উধরবোনদা লৈবা পাউনাগী মীতম মমাংদা পাঙথোকখি।

পাউনা নীংশিং লুপনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লুপ অসিগী থৌমীশিং এমশুগী লুচিংবশিং, শিল্লোং মনিপুরি ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী মীহুৎশিং অমসুং মফম অদুগী মীয়ামনা পাউনাগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরগী এদভাইজর-খোমদ্রাম রতননা হায়-মতম অদুগী ইপা ইপুশিংনা মরৈবাক মরমদমগী নীংতম্বা ঙাকবা অমদি তুংগী মীরোলগীদমক বৃটিশকা শোক খিবা লানফমদা নোকা নোকা থৱায় থাখি। অদুবু, ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদমমক্তদা শৈদাংবগী ফিভমদা লাক্লে।

**ককচিং (এল)ঃ** কুমজা ১৮৯১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বৃটিশকী লান্মীশিংগা ককচিংগী মনাও চীংদা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা অমদি মহাক্কা লোয়নখিবা মনিপুরগী লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি মচিন-মনাও চীংদা পাঙথোকখ্রে।

পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিং অমসুং লংসাই থৌনা ককচিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী এম.এল.এ. য়েংখোম সুরচন্দ্র, ককচিংগী এস.দি.পি.ও. খুন্দ্রাকপম হেমাবতি য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ২৭ কী থৌমীশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা জেনরেল সেলুট পীখি। নাওরেম নেতা মীতৈনা ৱাংখৈ মৈরাবগী অরোইবা লানফমগী মতাংদা পেনা শৈথারোল শকখি।

**হায়লাইট (এল)ঃ** তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোয়বগা অকাবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপা 'খোঙজোম নুমিৎ' থৌরমগী অখন্নবা পাউগী শক্তম শন্দোক্কনি।

**সট দাউন (এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তৌরদুনা তম্পাক্কী মফমশিংদা নুমীৎ মঙানি চুপা চথরকখিবা সটদাউনগী খোঙজং ঙসি লোইরগনি।

খোঙজং অসিগী ঙসি মঙানি চনবা নুমীৎতসু মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা পীখি। ইম্ফাল ময়োলগী মরুওইবা কৈথেলশিং য়াউনা দুকানশিং থোঙ হঙনখিদে। লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লেপখি। লম্বীদা পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেনখিদে, লন্নাই গাড়িশিং চৎপগী চাংসু নেমখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখিবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোকখি।

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী লমলাই, য়োরবুং, খুরাই চাইথবী লৈরক য়াওনা

লম্পী অসিগী মফম কয়াদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। ময়াং ইম্ফাল লম্বীগী মফম কয়াদসু মীয়ামনা থোরক্তুনা লম্বী থিংখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ অমসুং তেরা বজার, উরিপোক লম্বীগী মফম কয়াদসু লম্বী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিনখি।

অমরেমাদা, ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী টি.এম. কসোম মপাদা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) না নাগা তাবা মফমশিংদা কৌখিবা নুমিৎ হুমনিগী টোটেল সটদাউন্দগী খোঙজংসু ঙসি নুমিদাং লোইরগনি। ঙসিসু নাগা তাবা মফম কয়াদা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং শৌগৎতুনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লম্বী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিনখি। হৌজিক নুমিদাংগী মতমদনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা কেন্দল থানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। উখ্রূল জিলাগী মফম কয়াদসু মীয়ামনা কেন্দল থানদুনা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

সেনাপতিগী ত্রাফিক আইলেন্দদা নুমিদাং পুং তরুক মখায়দগী হৌদুনা মীয়ামনা কেন্দল থান্দুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। এন.পি.ও, এস.দি.এস.এ. অমসুং এস.দি.ডব্লিয়ু.এনা য়ু.এন.সিগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাইশোল থৌরমসু পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী নমদাইলোং নাগা ভিলেজকী গেটতসু কেন্দল থানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রে।

**মালেম (এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লু হায়বা দাবী তকশিনদুনা মালেম থোঙামনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২২ দা দিল্লি য়ুনিভরসিতি ফেক্লতি ওফ আর্টস কেম্পস মমাংদা চংশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অমগী হিয়ারিং ঙসি দিল্লিগী কিস হজারি কোর্টতা চথখ্রে।

কেস অসিগী মতাংদা কোর্ট অসিদা চত্থরকপা হিয়ারিং ঙসিগী অসি থারগা মঙারক শুরে হায়রি।

**মীখল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিল নাদু বিধান সভা মীখলগী ঙসি ভোট থাদনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউনা হায়-ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না নোংচুপ বেঙ্গোলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৯.৯৩ য়ৌখি। তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোকপা তামিল নাদু বিধান সভাগী মীখলদনা চাদা ৮২.২৪ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজ্য অদুগী কৃষ্ণনাগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়ারদুনা হায়-রাজ্য অদুদা রাজনিতিগী অহোংবা শোয়দনা লাক্লগনি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিংদা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখোয়দা আশাবা দোকুমেন্টশিং পীদুনা খুন্দা লৈতাবা য়াহল্লিহায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। ত্রিনামুল কংগ্রেসনা সংসদতা রিজারভেসন বিলগী মতাংদা অয়েৎ অপন পীরি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা

ভারত্তা তাঙ্কক নাইনা ষ্ট্রকচরেল রিফোমর্সশিং পাঙথোকপদগী লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা হেন্না লায়থোকহনবতা নত্তনা ভারত্তা শেল থাদবগী চাং হেনগৎলক্লি।

জর্মনগী মুনিসতা পাঙথোকপা ভারত অমসুং জর্মনগী ঙাকশেলগী উদ্যোগকী লুচিংবশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিংহনা হায়-এদভান্স রদার অমসুং সেন্সর টেকোলোজি, নোংথক্কা মরী লৈনবা টেকোলোজিশিংদা এ.আই. শিজিন্নবা অমসুং অন্দরৱাটর ট্রান্সমিটরশিং শেমগৎপগী মতাংদা ভারত অমসুং জর্মনগী মরক্তা মতেং পীনদুনা লাক্লি।

**মুরমুঃ** লৈবাক অসিদা আর্টিষ্টশিংনা অরীবা আর্টফোমশিং য়োকখৎপদা লৌরিবা থৌদাংবু রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভাবনদা ঙসি আর্টিষ্টশিংগী কাংবু অমগা উন্নবদা মহাক া হায়-আর্টিষ্ট-ইন-রেসিদেন্সকী থৌরম পাঙথোকপনা আর্টিষ্টশিংনা অরীবা আর্টফোমশিং য়োকখৎপদা লৌরিবা থৌদাং অমদি কালা সংস্কৃত্তি য়োকখৎপগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

**থাউঃ** পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি-পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল ৱাংখৎলে হায়না শন্দোরক্লিবা পাড অদু অরানবনি। সরকারনা থাউগী মমল হেনগৎপগী ৱাফম লৈতে। অসিগুম্বা অরানবা পাউ অসিনা মীয়ামদা নুংনাংবা পোকহল্লে।

মন্ত্রালয়না হায়-হৌখিবা চহি মরি অসিদা লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলদা হেনগৎপা লৈত্রি।

**ক্রিকেট ঃ** অসাম ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা গুৱাহাতিগী জজেস ফিল্ডদা চথুরিবা চহি ১৫ মখাগী ন্পীমচাগী অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট রাইজিং ক্লব ২০২৬ কী লিক মেটচতা-মনিপুরনা অরুনাচল প্রদেসপু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

**ফেন্সিংঃ** মরিশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ মথং থাগী ১৪ দগী ১৭ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লগনি।

এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-চেম্পিয়নসিপ অসিগীদমক এসোসিয়েসন অসিদা এফিলিয়েট তৌরবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমসুং একাডমীশিংনা মখোয় মখোয়গী এফিলিয়েসনশিং রিনিয়ু তৌবগা লোয়ননা ফেন্সরশিংনা রেজিষ্ট্রেসন প্রোসেস লোয়শিনগদবনি।

**অম্ফাঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ কী সি.এম.এসতা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৫ দা ওইরগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফিশিংসু পীশিল্লক্কদবনি হায়না অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।